ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯷, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, দিসেম্বর ০৭, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২৫৩শুবা মশীং

মীপান তাংদবা খুন্নাই

ঐখোয়গী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগাৎনবা ইশানা লম্বী য়াৎসি

মণিপুরনা মনিং-মখা তন্বা লৈবাক অমা ওইরিঙৈ অমসুং ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা মতমদুগী মীয়ামগী নুংঙাই য়াইফবা হায়বসি লৈবাক মরা তপ্না পানবা, কুম ফবা অমসুং মহয়-মরোং চুম্বনা ওইরম্মী। মতমদুদা মীওই অমা নুংঙাই য়াইফবা হায়বসি ফৌ-চেঙ ৱাৎতবা কাঙবুনা ওই। মচা নিংঙোল থাজবদা ইমুং অদুদা মৌ ওইরগদি মপূন্সি চুপ্পা চাবা ৱাৎলরোইদবনি, চরা হেল্লরোইদবনি হায়বনচিংবা ৱাফম ফাওবা পন্নরম্মী। মতমদুগী পূন্সিরোলদি চাউখৎপা খুন্নাইগী তঙাইফদবশিং থোইনা খল্লুদবা, ইচম চম্না হিংবা মীগী মশীংনা য়াল্লম্মী। মরম অদুনা ফৌ-চেঙ মরাং কায়না লোল্লগা চহী অমা ঈংনা-চিক্না লৈননবা হোৎনৈ। মীঙোন্দগী হংদনবা ইঙ্খোলদা এঞ্ছাং-নাপী মরাং কায়না থাই। চহী অমগী শীজিন্ননবা শীং য়ানবা চৎনৈ। কালেন থাদা চাননবা ঙা ফারগা লৈরৌ শেমদুনা থম্নে। হরাও-কুম্মোদা থৱায় য়াম্না য়াওনৈ। অদুমওইনমক মতমদুদা শু-নোম্বগী কলচরদি লৈরম্মী। মীপূম খূদিংমক শু-নোম্বনা পূন্সিগী শিনফম ওইনৈ। মতমদুদা লৈরম্বা নুংঙাইরবা পূন্সিগী মরেল অদু হৌজিক্তি হোংখ্রে। পুক থন্না চারগা, চরা হেন্দ্রগা নুংঙাই য়াইফবা ওইদ্রে। মরুওইনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতা লৈরিবা ইমুং মঙাগী মনুংদা অহুমদি এঞ্জিন পানবা গাড়ী মচা লোইনরে। ইমুং ১০গী মনুংদা অমদি কার লোইনরে। মসিগীসু মথক্তা মীওই ২০ খূদিংগী লুপা লাখ ১গী মথক্তা পায়বা মী অমমম্দি য়াওরে। মসি অহোংবা অমনি অমসুং শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎলকপগী খূদম অমদি ওই। অদুবু লুরিবদি ঐখোয়গী পূন্সি মহিংদা লৈরিবা চাকনী-ফিনীবগী মওং অসিদি খুন্নাই অমা মুৎখিননবগী মচাকনি। হীরম খূদিংমক্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী ঐখোয় তাংদবা য়াওদ্রে। ইশাগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্ননবা ৱাখল্লোনসু খন্নদ্রে। মদুগী মহুৎতা সেন্টরনা পীরকপা শেনফম য়াম্মী নৎত্রগা য়ামদে হায়বরোমদা চৎনখ্রে। অমরোমদা হায়রগদি, চাকনী-ফিনীবগা চপ মান্নরে। দিল্লিনা পীদ্রবদি ঐখোয় চরা হেন্দুনা শিরগদবগুম খন্নরে। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী মীয়ামগী শেন্বীবা মপূ হায়বসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ওইবদৌনা লৌরে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা ষ্টেট অমনা তাংবা হায়বসি ইন্দিয়াগুম্বা হীরম খূদিংমক্তা সেন্ট্রেলাইজেসন তৌবা লৈবাক্তদি তঙাইফদবনি। মসিগী খূদম হায়ববু ইন্দিয়াগী ময়াই থংবা শরুক্তা লৈরিবা বিহারনা স্পেসল কেটগোরি ষ্টেট অমা ওইনা থম্বীনবা দিমান্দ তৌরি। মসিগী হায়রুরগদি মণিপুরনা দিল্লিদা তাংলিবসি নীবনি হায়না লৌবা য়াদে। মসি মখোয়না পীফম থোকপনি হায়না লৌগদবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা শেল-থুমগী থৌশিল অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা অয়াম্বনা তাংই। থা খূদিংগী তাং ১৫ ফাওবদা ষ্টেট অমনা শীজিন্নগদবা শেনফমশিং সেন্টরনা হেক-হেক পীরকই। পীরক্লিবা শেনফম অদু কমদৌনা শীজিন্নবগে হায়বদু য়েংলগা ষ্টেট অদুগী মরাইবক লেপ্পা ঙম্মী। মণিপুরগুম্বা লায়রবা ষ্টেটকীনা শেনফমশিং অদু থাদোক্লগা ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ পীগনি হায়না পায়। অদুগা চাউখৎপা ষ্টেটশিংগীনা শেনফম অদু লাক্লগা চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা থাদনবা পোফম শেল্লগা থম্মী। থাদরিবা শেনফম অদু লৈঙাক অসিদা অমুক হন্না হল্লকপা য়াননবা লম্বী শেম্মী। মসিগী হায়রুরগদি মণিপুরনা ফংলিবা শেনফম খরদু লোয়শিন্ননবা হোৎনবনি। অদুগা অতোপ্পা ষ্টেট খরগীনা শেন্মীৎলোনগী ময়োল চোংননবা হোৎনবনি। অসুম্না মণিপুরনা নোংম-নোংমগী লায়রবা ষ্টেট ওইরকই। চাকনী-ফিনীবগী ৱাখলদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা খল্লকই। কয়াম শাথীনা ফীভম শোক্লবগে হায়ববু মনিং-মখা তম্না পাল্লম্বা লৈবাক অসিনা হৌজিক্তি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মতেং য়াওদ্রগদি ঐখোয় হিংবা ঙম্লোইদবদৌনা খন্নরক্লে। নীংশা হোনবা ফাওবা লেপখিগদৌবা মাল্লক্লে। ফীভম অসিদগী কন্ননবা মতৌ কমদৌনা ঐখোয় শেন্মীৎলোনগী ময়োল চোংহনগদগে হায়বদু খন্নবা মতম থিনমল্লে। ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন শেমগৎননবগীদমক অহানবদা ঐখোয়না তৌদবা য়াদবা হায়বা তারগদি শু-নোম্বগী কলচর লৈহনবা হায়বসিনি। ষ্টেট অসিদা ওন্ট্রপ্রেন্যুর শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মখোয়গী পূক্কৈদা তুংদুনা লৈরিবা শীজিন্নদবা শেনফমশিং অদু পুথোকপা কিদনবা ঐখোয় পূম্নমক্না হোৎনগদবনি। মখোয়না শেনফমশিং অদু লোৎতুনা থমখিবদা মঙোন্দা মাঙদবদি য়াই। অদুগা মীয়ামদদি চাওনা মাঙজগনি। মখোয়না পুথোরক্লিবা শেনফম অদুনা ষ্টেট অসিগী থবক ফংদ্রিবা মীয়ামদা থবক পীগদৌরিবনি অমসুং শেল পুথোক্লিবা মীওই অদুবুসু হিংহনগদৌরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয়না ওন্ট্রপ্যুনর য়োকখৎপা হায়বসি তঙাইফদবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, ঐখোয়গী শেন্মীৎলোনগী ফীভম শেমগৎননবগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী অচৌবা শেনফম অমা লৌননবা হোৎনগদবনি। শেনফম অসি লৌননবা হোৎনবদা নীবা ওইনা লৌরোইদবনি। ঐখোয়গী ফংফম থোকপনি, মণিপুর চাউখৎতনা ইন্দিয়া চাউখৎপা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ অসিগী মখাদা ষ্টেট অসি চাউখৎহন্নবগীদমক শেল থাদফম থোকপনি হায়বসি নাখে শেংনা হায়গদবনি। কিথি কিরুম তৌনা নীবগী মওংদা চৎলোইদবনি। ঐখোয়গী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্ননবা লম্বী ইশানা য়াৎসি।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

ফম্বা চল্লবদি হিপ্পা চল্লক্কনি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

করিগুম্বদা মীওইবনা মঙ মঙই। মঙলিবা মঙদু অশেংবদি অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাংৱাইরমদা উরুবা খনখিবা ৱাখলগী মমি অদুনি। অদুবু মরী শুকলৈ লৈনদবা কয়াগীসু মঙ মঙদবা নত্তে। অদুগুম্না নাগাগী ইস্যু অসি মদুগী মমিনি হায়বসু য়াই। মসিদা ঐখোয়না নৈনবা য়ারিবদি করিগুম্বদা খুদোংথিবা থৌদোক অমা থোকপদা মঙ ওইদুনা তূম্মুবদগী হৌগৎলকপদা মঙফাওনবগুম মঙ ওইরম্লবদি নুংঙাইখ্রনিদা খনবসু য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্না নাগালেন্দগী সী এমনা ঙমখৈগী নাখে শেংবদি মতমগী মতুং ইন্না লাকপা য়াই, অদুবু লৈঙাকলোনগী ওটোনোমি, শেল-থুমগী ওটোনোমি, কলচরেল ওটোনোমি অহুম অসিদি শোয়দনা ফংলগনি হায়বা নবেম্বর ২৮গী পাউচেদা ফোঙদোকখ্রে। মসিদা লুরিবদি মণিপুরগী ঙমখৈদা লৈরিবা অসি তম্পাক্কী ইচিন ইনাওশিংগা অমত্তা ওইনা তোৎনা তিন্নদুনা লৈরিবা চীংমী কয়া অসি নাগা ওনগে খনবা মখোয়মখৈ নাকল অমদা নাগালেন্দগী ঙমখৈগা তাইনদুনা তোঙান্না লৈবা নত্তে। চীংদসু কুকি খুন কয়াগা য়েৎশিন্নদুনা খুন্দাবনি। মসি মণিপুরগী ঙমখৈগী এরিয়াদা লৈরগা নাগালেন্দগী অপূনবা লৈঙাক তোঙানবা শেল থুমগী বজেটতা নাগালেন্দ লৈঙাক্তা পূনবা হায়বা অসি মঙ ওইরমদনা তোকপগা মান্নবগুম্না মঙফাওনররোইদবা মঙলাননি। মরমদি 'ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লক্কনি' হায়বা থায়নগী অহলশিংগী পাউরৌ ঐখোয়না তাখ্রে। মসি টি আর জেলিয়াংনা খঙবগুম ঐখোয়সু নিংথিনা ৱাখল তানা খঙই। মসিদা সেন্তরনা চয়েৎননা থম্বা য়াম্না লানবা থবকনি। মসিদা কোংগ্রেসনা তৌবনি, বি জে পিনা তৌবনি হায়দুনা ষ্টেটতা হুন্নদুনা ঙাঙনবগী মহুৎ এরিয়া অসিৱাইদা নাখে ফজনা শেংদোকপা হায়বা অসিদা ৱাফম খরদা পুখৎবা শোয়দনা লৈরমফম থোকই। অদু নৎত্রগবু করিগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টবু চহী মরি শেল্লগা হায়দোকপা ঙমদবনো? অদুনা হৌজিকসু ঙম্ফম থোক্তে মরমদি ফোঙদোকপা য়ারোইদবা ৱারীনি। মসিদা মণিপুর মীয়াম্ন সু পার্টিগী য়েংদনা অসিগুম্বা এরিয়া অসিদদি পূন্না হোৎনমিন্নবা অমা চঙই।

ঐখোয়না খেন্নবা থিদনা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নদুনা লৈবদা সেন্তরনা করিসু তৌবা য়ারোই। মসিদা মরুওইনা মণিপুরগী চীংমী ইচিন ইনাও কয়ানসু য়াম্না কূপ্না অচুম্বা অমসুং অরানবা কদাইফাওবা লৈবগে হায়বা অসি নৈনবা চঙই। অদু নত্তনা নাগালেন্দগী নাগাগী য়াইদা পংথদুনা লৈবা তারবদি মাঙজবা লাক্কনি খন্থবা চুমগনি। অদুনা ফম্ববু ফংলবা হিপ্পা ফংগনি হায়বা লানগনি।

অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ, ককচীং খুনৌ

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬২

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি থায়না কোনুংদা লৈরম্বা লোইশঙ অনীগী মমিংনি। মথৌ করি করিনো? তেন্না হায়য়ু :
(ক) চৈরাপ (খ) গারোৎ।

২। "সনামহী ঙৌবরেন/ফূহিং সনা লাইজরেন/শনজিং ফম্বাল মহীরেন।" পরেংশিংসি লাইনিংহল ফুল্লোগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৩। কুমজা ২০০৩দা ঐখোয়গী খোরিরোলদা নেপালি অইবা অমনা 'কোরৌগী মশেক মঙাল' কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমা খুদোল তম্লকই। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "মুতুম দেবলাগী 'রোমিতা' না থেংনরিবা সমস্যাসি হৌজিক্কী অনৌবা নুপীগী সমস্যানি।" ৱাফমসি ক্রিটিক অমনা হায়বনি। দেবলাগী উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। কুমজা ২০১১দনা ত্রাইবেল অইবা অমনসু 'ঈচেলনা কংলবদি কোঙ্গোলসু তাকখিনি" কৌবা শৈরেং লাইরিক অমসু পুথোক্লকই। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

মতম হায়বসি ৱালগী তাইবঙ অমরা?

সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

'ইচাশা, মতম ফত্তে অমম অথেঙদা চৎকনু ... নৎত্রগা মপান থোক্কনু, ইমুংদগী হেন্দোক্কনু...' অসিনচিংবা ৱাহৈসি অহল লমনশিংনা মচা-মশু ৱারকপদা শীজিন্নবা, ঐখোয়না তারক্লিবসি ফনা কুইরে। অমম অথেঙদা চখোক্ত্রগা, মপান থোক্ত্রগা 'ফত্তবা মতম' অদুদি ফগৎলকপরা? হান্নগীগা য়েংনরুবদা হৌজিক্কী ... মতম অসি ফগৎলকপরা? নৎত্রগা ফৎচিল্লক্তবরা? মতম হায়বসিবু 'অফবা'/'ফত্তবা' হায়বা লৈবরা? ফৎত্রিবসি অমম্বা, অথেঙবা মতমদুরা? নৎত্রগা মতমদুদা চথোক-চৎশিন তৌরিবা মীদুদগী পোৎ-চৈ, মরল-মথুম অয়াওবা মুন্নবা ফুবা-চৈবা, হুরান-চিন্থি তৌরিবা মীওইশিংদুরা? 'মতমসিগী মী ফত্তে' হায়বনা হেন্না চূনবা ৱাহায় ওইগনি। ফৎচিল্লক্ত্রিবসি 'মতম' নত্তে 'হৌজিক্কী মীশিং' অসিনি।

অদুদি, অফবা মী/ফত্তবা মী হায়বসি ঐখোয়না করম্না খন্দোক্কনি? হুরানবা হায়বসি ফত্তবা থবকনি- পূম্নমক্না হায়গনি। অদুবু হুরানবগী থবক তৌরগা মচা-মশু থাক্লিবা মীশক অদু, মচাশিং অদুদদি অফবা মীশক্লি। হুরানবা অমত্তনা 'ঐগী শিনফম হুরানবনি' হায়না লাউথোক্তে। মপোৎ মাঙলিবা/হুরানখ্রিবা মীশক অদুদনা মহাক ফত্তবা মীশক্লি। হুরানবগী থবক তৌরিঙৈদা নৎত্রগা তুংদা খুদমগা কোন্ননা ফারবা মতুংদদি 'মহাক' ফত্তবা মীশক অমা ওইরে। মী হাৎপসু, মীগী ঈজৎ শোকপা থবক তৌবসু; মীগী থম্মোয় শোক্লবা ৱা ঙাঙবসু, মীগী মাঙনবা তৌরসু ফত্তবা থবক ঙাক্তনি। অদুবু, মশাগী ওইজবা, নুংঙাইবতা থিবা মীওইবনা, হায়রিবা থবকশিং অসি মওং অমা নৎত্রগা অমদা হেক্তা তৌই। অদুনা মশাগী মরালদু কোক্লবা অতোপ্পা ৱাহায় অমা অমুক শেল্লম্মী, 'মীওইবনি, লান্দবা ঙম্বা হৌনদে'। অদু ওইরবদি, মীওইবা খুদিংমক অফবা অমত্তা য়াওদে হায়বা তাবরা? মসিদগীনি ধর্ম্ম হায়বসিগী মরূ হুনখ্রিবা। অশোয়বা/অরানবদু তৌবগী চাং ৱাৎপা নৎত্রগা হেনবা, অশোয়বদু মশানা তৌরুরে হায়বদু য়াথোকপা ঙম্বা/ঙমদবা অদুগী মতুংইন্না মী অমগী অফ-ফত্তগী চাং লেপ্লী।

অফবা, অহেনবা, ফজবা হায়বসি পূম্নমক্না পাম্মী। খ্বাইদগী ফজবা, খ্বাইদগী অহেনবদু ঐগী ওইবা পাম্মী। মসিদি, মীওইবগী লীচৎনি। অপাম্বদু ফংলক্ত্রবা, অফবদু ঐগী ওইবা ফংহৌদ্রবা মতমদুদা পোক্লকই - কল্লকপা, খম্নন চাউবা, নত্তবা পাম্বৈনা ঐগী ওইনবা হোৎনরকপা মসিবু কৌই - ফত্তবা ৱাখল। থবক অমা পাঙথোক্ত্রিঙৈ 'ৱাখল' না হান্না মাঙ থাই। অফবা থবকসু, ফত্তবা থবকসু-থবক্তুগী পাঙথোক্লমদাইদা খনখিবা 'ৱাখল' দুগী মহয়নি। অদু ওইরবদি ৱাখলদু করম্না খলহনগদগে অমদি খনগদগে হায়বদুনি খ্বাইদগী মরুওইরিবা।

মীওইবগী ৱাখলগী শক্তি অসি অসুক্কী মতিক কল্লি মদুদি মসিনা য়ৌবা ঙমদবা মফম লৈতে, তৌবা ঙমদবা থবকসু লৈতে। ৱাখলগী মফমদা ওইথোক্তবা হায়বা অমা লৈতে। কনাগুম্বা অমগী অচেৎপা ৱাখল অমগী মহয়নি মালেমসিদা থোকখিবা অহোংবা কয়া, অমাঙবা কয়া, থাজবদা যূম্ফম ওইবা ধর্ম্ম কয়া। থাজবদুদা যূম্ফম ওইরগনি ঙসি ঐখোয়না নৈনরিবা- অফবা করিনো? ফত্তবা করিনো? চাওখৎপা করিনো? চাওথবা করিনো? মাঙলমচৎ করিনো? তুংলমচৎ করিনো? ঈশ্বর করিনো? মহাক তশেংনা লৈবরা? নৎত্রগা ঐখোয়গী ৱাখলদতা লৈবরা? ... ৱাখলগী ঈচেল লোইবা নাইদে। লোইবা নাইদবা, খুম্বা ৱারবা ৱাহং পরেংনি থোরক্লিবা। মীওইবগী ৱাখলদগী থোকখিবা পাক চাউরবা, ঙমখৈ লৈতবা তাইবঙ অসি অঙকপনি। খঙবা ঙমদবা অঙকপনা থনবনি। ৱাখল খনবা ঙমদ্রিবা অঙাংনদি ৱাহংশিং অসিগী মরুওইবা খঙখিরোই। অদোমদি শোয়দনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা হংবিনীংলমগনি - মালেম অসি কমদৌনা শেল্লকখিবনো? নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাক করম্না ওইরকখি? শেম্বীবা য়াওদনা পোৎ অমা হেক্তা ওইরক্তে হায়রবদি পূম্নমকসি কনানা শেমখি? কৈদৌঙৈ শেমখি? কৈদৌবৈ শেমখি? মশানা হংজবা ৱাহংশিংগী পাউখুম মশানা শেমজৈ, অঙকপনি মীওইবা! খুম্বা ঙমদবা ৱাহংগী পাউখুম থিবদা, মশাবু পেলহন্নবা হায়রকখি - পূম্নমকসিবু 'শেম্বীবা মপূ' অমা লৈ। কনানসু মহাকপু অশেংবা তাইবঙদা উখিদ্রি ৱাখলগী তাইবঙদা নত্তনা। মহাকপু থাজবসু লৈ, থাজদবসু লৈ। খেন্নরিবদি মখোয় অনীগী ৱাখল খনবগী মওং অদুনি।

তূম্বা-চাবা, হিংবা-শিবা, লৈবা-লৈতবগী ৱাখলদুগী ৱাংমদা অসিগুম্বা ৱাখলদা ঙাইহাক তাউদুনা শান্নবসু 'পুন্সি মথেল' অমনি। মীওইবগী ৱাখলনা শেমখিবা 'মতম' হায়বসিবু তশেংনা লৈবরা? 'মতম' হায়বসিগী অহৌবা কৈদৌঙৈ ওইখি? কৈদৌঙৈ অমুক লোইগনি? মসিবু অহৌবা, অরোয়বা নাইবা পোৎশক্লা? মালেমসিনা নৎত্রগা তাইবঙপানসিনা ইহান হান্না ওইরকপা নুমিত্তু 'মতম' গী অহৌবা ওইদৌরিবরা? নুমিৎকী মঙালদগী মালেমসিদা হিংদুনা লৈরিবা থৱায়শিংসিনা লোইখিগদবা 'মতম', হায়বদি নুমিৎকী মৈশানা ঈংথখিবা নুমিৎ অদুনা 'মতম' গী অরোইবা ওইদৌরিবরা? 'নুমিৎ' না লোইখ্রবসু পাক চাউরবা তাইবঙ (য়ুনিভর্স) অসিদি লৈহৌখিগনি, অদুনা মতমদি লোইনাইদনা মখা চথহৌখিগনি। 'মতম' গী ৱাখল পুথোক্লমখিবা মীওইবনা, দাইনোসর মুৎপগুম মুৎখিবদা 'মতম' হায়বসিগী মরমদা খনবীনবা/ঙাঙবীনবা থৱায় পানবদুদি লৈররোই। অদুনা, মীওইবনা লোইবদা 'মতম' সু লোইরে হায়না লৌবা য়াই। হিন্দু ফিলোসোফিদা 'মতম' বু 'কান-চক্র' হায়দুনা কোয়রক কোয়না উংদুনা লৈবা পোৎশক অমগুম শক্তাকই। কোয়রক-কোয়বা 'সার্কল' অমগী অহৌবা অমসুং অরোয়বা বিন্দু অদু কদায়দনো হায়বা কনানসু হায়বা ঙমদবগুম মতমগী অহৌবা অমসুং অরোইবা কনানসু হায়বা ঙম্লোই।

'মতম' গী ৱারী শারকপদা নুংঙাইবা ৱাফম খরা থোরকই। ঙরাং, ঙসি, হয়েং, ঙসাই, হৌজিক, হোরেন - পূম্নমকসি 'মতম' গী শক্লোন অমমমনি। হৌখ্রবা, ওইরিবা অমদি লাক্কদবা মতম অদুনি। ঙক্লবা মীওইবগী কোক্তা, ৱাখলনা নীংশিংগদৌরিবদুদি 'মতম' দু নত্তে 'থৌদোক' অদুনি। অদুননি মীওইবনা হৌখ্রবা থৌদোকশিং অদুতবু নীংশিংলিবা, লাক্কদবা/তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোক অমত্তা নীংশিং'ঙমদ্রিবা।

হৈ-শিংলবা মীওইবনা 'মতম' বু - মীকূপ, মিনিট, পুংজা, নুমিৎ, চয়োল, থা, চহী, দিকেদ (চহী তরাগী মতম), সেঞ্চুরি (চহী-চা) অমদি মিল্লেনিয়ম (চহী লিশীং) হায়দুনা শক্লোন কয়াদা পুথোকই। অদুবু, পূম্নমক মীওইবগী ৱাখলনা শেম্বা ঙাক্তনি। তশেংবদি, 'হৌজিক' হায়বসি নত্তবা মতম অমা লৈতে। ঙসাই নৎত্রগা হোরেন হায়বা মতমদুদি ঐগী ৱাখলদতা লৈহৌগদবা 'মতম' নি। মসি খঙবা, 'ৱাখল-লৈবশিং' না হায়রল্লিবদুনি - 'ঙসি হায়বসি, ঙরাংগী হয়েংনি ... কনানসু হয়েং য়ৌনা পুন্সিদে...। 'মতম' না কৈদৌঙৈদা তুং হন্দুনা চৎলক্লোই, মাঙলোমদা চঙশিল্লক্কদবা ঙাক্তনি। হৌখ্রবা মতম, শিখ্রবা থৱায়গুম্বনি। ঐখোয়না হিংলিবসি 'হৌজিক' কৌবা মতমদুদনি। অপাম্বা পোৎশক ফংনবা, নীংজবা আশা থুংনবা ঐগী তৌফম থোকপা থবক্তু 'হৌজিক' সিদা তৌগদবনি। হৌজিক নত্তবা অতোপ্পা মতম অমা লৈতে। ঙসিদগী হেন্না ফবা, হৌজিক্তগী হেন্না য়াইফবা অতোপ্পা মতম অমা লৈতবনি। ধন্মগী অখুবা মীৎয়েংনা মোৎহল্লবা মীওইবগী ৱাখলসিদা লৈরু-লৈরুবা মফম অমদি লোয়ন-তিন্নরুবা মীয়াম্না মওল-মওল খলহনখি। লৈরোন চনখ্রবা ৱাখলশিংদুনা লাঙ্গোয় চনখ্রবা পূক্লিংনি - মাঙদা তারিবা 'অচুম্বা' সি কনানসু তাপ হেক লৌশিনবা ঙমদে।

ৱাখলগী অতিয়াদা অমম্বা লৈচিল মপৈ পাইরিবদু অমুক্তা হুমদোকহনবীখো। 'মতম' কৌবা মহাক্তি শক্লাইদবা পোৎশক্লি, অফবা/ফত্তবা লেপ্লিবদি 'মতম' দুদা তৌখিবা ঐগী থবক্তুননি।

ৱান দে দেলিবরেসন ওন স্বাছ সরভেক্সন ২০১৮

(সিটি কনভেন্সন সেন্তর, ইম্ফাল)

সোরোক নোরেন

চহীসিগী অরোইবা থা দিসেম্বরগী অহৌবা নুমিৎনি। তাং ১/১২/২০১৭ ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১০ খরা হেনবদনি ঐনা সিটি কনভেন্সন সেন্তর ইম্ফালগী মনিং থংবা শরুক গাড়ী থম্ফমদা থুংখিবদো। মীপাল তাংদনা ঐ ইশাগী শক্তিগী মনুংদা লৈরবদি মাং থংনবা হোৎনবা হায়বসিমদি হৌজিক ঐগী ইথৌ ওইরে। অদুনা নুমিৎতুগী স্বাছ সরভেক্সন ২০১৮গী মীফমসু ঐনা অনীশুবা মীওই ওইখি অঙনবা হায়রগদি। হান্না লৈরম্লিবা ওফিসরসি যূম্নাম পিটর ইগজিক্যুটিব ওফিসর লম্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনি। ঐবু লমজিংবিরিবা ঐগী গুরুনা তত্তনা হায়বিরি 'ফাষ্ট ফোরৱার্দ' পুন্সিদা কাউদনবা হোৎনগদবনি। মদুমক্তি ঙসি ঐনা ঐগী লেমহৌরিবা পুন্সিসিদা চিনফা পুনবা হোৎনরিবা।

স্বাছ সরভেক্সন ২০১৮ হৌগদবা নুমিৎ খরনিদা ঙাইরে। হৌখিবা জান্যুৱারী ২০১৭কী তাং ১দগী হৌরগা চৎলিবা দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা তৌখিবা এক্টিবিটি ময়াম অদু পুনশিল্লগা অথোয় অহেন তান্নবদা য়াওগদৌরিবা ইন্দিয়াগী সিটি অসি পুন্না ৪৩০২ নি। মসিগী মনুংদা মণিপুরগী টাউন ২৭মকসু শরুক য়ানবা অকনবা থৌদাংগী মনুং চল্লিবনি ঙসিগী স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮ ৱান দে দেলিবরেসন। হৌখিবা সেপ্তেম্বরগী তাং ২০, ২০১৭তসু অর্বান দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী মখাদা গুৱাহাটি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না যূম্ন ওইদুনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংতগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোকখ্রবনি। মীফম অদুদসু মণিপুরগী টাউন ২৭ মক্কী মরুওইবা মীশক ৪৬না শরুক য়ারুরে। শরুক য়ারুবা মীওই খুদিংমক্কী অচঙবা শেনফম পূম্নমক চাংদম্নবা অসিদা শরুক য়াবা ঙম্নবনি। মতম মতমগী অহোংবা নাইনা পীরক্লিবা অর্বান মিনিষ্ট্রিগী গাইদ লাইনশিং কূপ্না য়েংবগী মথৌ তাবননি ঙসি অমুক নৌনা ৱান দে দেলিবরেসন পাঙথোক্লিবা। মীফম অসি মাহুদকী দিরেক্টর এন গীতকুমার, জোইন্ট দিরেক্টর এন জি উতমনা মপূং ওইবা থৌবু ওইরগা টাউন ২৭ মক্কী মেয়র, দেপ্যুটি মেয়র, চেয়রপার্সন, ভাইস চেয়রপার্সন, ঈ ওশিং অমদি টাউন খুদিংমক্কী এঞ্জিনিয়রশিংনা শরুক য়াখি।

স্বাছ সরবেক্সন হায়রগা অহানবা ওইনা ২০১৬তা সিটি ৭০ না শরুক য়াদুনা হৌদোকখি। অনীশুবদা কুমজা ২০১৭তা সিটি ৪৩৪না শরুক য়াখি। অহুমশুবা ওইনা মথং চহীসিদা হায়বদি কুমজা ২০১৮দা সিটি ৪৩০২না শরুক য়াদুনা চাংদম্নগদৌরি। চাংদম্নবা অসিদা মপূং ওইনা লৈরিবা টাউন/সিটি অদুগী মীপুম খুদিংমক্তা মতৌ করম্না তরু তনান্না লৈগদগে হায়বসিদা ৱাখল তামিন্ননবা হোৎনবগী তঙাইফদবদুনি অমদি মতৌ করম্না টাউন/সিটি অদুগী ওথোরিটি অদুনা হায়রিবা হীরমশিং অসিদা কদায় ফাওবা খুমাঙ য়াঙনা চঙশিল্লবগে হায়বদুসু য়াম্না কূপ্না য়েংলক্কদৌরি। হন্দক্কী স্বাছ সরভেক্সন ২০১৮দা সর্ভে মেথোলোজি ওইনা য়াওরিবসি মখল মরিনি। অহানবদা সার্ভিস লেভেল প্রোগ্রাম। মসিগী হীরম অসিদসু অমুক মখল তরুক থোক্না খায়দোক্লি। (১) কলেক্সন এন্দ ত্রান্সপোর্টেসন (পেরামিটর ১৪)। (২) প্রোসেসশিং এন্দ দিসপোজেল (পেরামিটর ৮)। (৩) সেনিটেসন (পেরামিটর ১১) (৪) আই ঈ সী এন্দ বিহেবিয়র চেঞ্জ (পেরামিটর ৯) (৫) কেপাসিটি বিল্ডিং (পেরামিটর ৬)। (৬) ইনোবেসন এন্দ বেষ্ট প্রাক্টিসেস। অনীশুবা : (এ) ইন্দিপেন্দেন্ট ভেলিদেসন। অহুমশুবা : (বি) দাইরেক্ট ওবজার্বেসন (পেরামিটর ১৮)। মরিশুবা : সিটিজন ফিদবেক (৬+৩ ৱাহং) স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮ অসি কেটাগোরি অনী থোক্না খায়দোক্তুনা টাউন টাউন্দুগী লৈরিবা মীশিংগী মখা পোন্না পাঙথোক্কদৌরি। অহানবদা ইন্দিয়াগী টাউনশিংগী অপূনবা মীশিং লাক্ষ অমদগী হেনবা টাউন মখৈ অমা অদুগা লাক্ষ অমগী মখাদা লৈবা অপীকপা টাউন মখৈ অমা। কেটাগোরি অনী থোক্না হন্দক্কী চাংদম্নবা অসিদা শরুক য়াহনগদৌরি। কেটাগোরি অনী থোকচরবসু অপূনবা মার্কতি ৪০০০ ওইদুনা পেরামিটর খুদিংমক্তা অথোয় অহেনগী মার্ক থম্লি।

অহানবগী সার্ভিস লেভেল প্রোগ্রাম মার্ক ৪০০০গী মনুংদা ১৪০০ থম্লি। সার্ভিস লেবেল প্রোগ্রামদা ৩৫%, দিরেক্টর ওবজার্বেসন্দা ৩০% অদুগা অরোইবদা সিটিজন ফিদবেক্তা ৩৫% ওইদুনা হান্নদগী কাঙলোন খরা হোংদোক্তুনা থম্লি। অহানবগী সার্ভিস লেভেল প্রোগেসকী ওইনা - কলেক্সন এন্দ ত্রান্সপোর্টেসন্দা ক্বেসন ১৩ য়াওরগা, পুরিবা মার্কনা ৪২০। অহানবা ওইনা হংলিবা ক্বেসন অসি মার্ক ৪৮নি। টাউন অদুগী ফত্ত হৌদি হুন্দোক্লবা শীজিন্নরিবা গাড়ীশিং অদু অকংবা ফত্ত হৌদি অমদি অচোৎপা ফত্ত হৌদিগী ওইবা কাখল তোখায়না শেন্দ্রা নৎত্রগনা অচোৎপা হুন্দোক্লবা গাড়ী অমা নৎত্রগা অকঙবা হুন্দোক্লবা গাড়ী তোখায়না লৈব্রা? ফত্ত হৌদি হোন্দোক্লিবা গাড়ীগী কেপাসিটি অদু কয়ানো অমদি নোংমদা ত্রিপ মশীং কয়া লৌথোকই। টাউন অদুগী মীশিংগী চাংদা অচোৎপা/অকঙবা কয়া য়াম্না লৌথোকপা। সেন্ট্রেলাইজ নৎত্রগা দি সেন্ট্রেলাইজ ওইনা ত্রান্সফর ষ্টেসন/প্রোসেসশিং প্লান্ট তান্না পুবদা অচোৎপা অমদি অকঙবা ফত্ত হৌদিশিং অদুগী নোংমগী ওইবা পোখোক্তু পুবদা লোগ বুক শীজিন্নব্রা। হায়রিবা ৱাহং অসিদা মার্ক নিফুনিপাল পুদুনা চৎলি। অনীশুবদসু ৱাহং ৪গী মার্ক নিফুনিপাল লৈরি। রেসিদেন্সিয়েল ৱেলফ্যের এসোসিয়েসন অমদি ব্লক গরবেজ জেনেরেটরনা ওর্গানিক ৱেষ্ট ওম্বোকপদা কয়া য়াম্না খুমাঙ চাউশিনবা হীরম অসিদনি ৱাহং ৪ খক পুরগা মার্ক ৪৮ থম্লিবা। রেসিদেন্সিয়েল ৱেলফ্যের এসোসিয়েসন অমসুং ব্লক গরবেজ জেনেরেটরগী লিষ্ট কোপী। রেসিদেন্সিয়েল ৱেলফ্যের এসোসিয়েসন অমসুং ব্লক জেনেরেটরশিংনা প্রোসেসশিং তৌবদা চঙবা ক্বান্টিটি অমদি পোখোক ওইনা কয়া য়াম্না পুথোকপগী লিষ্ট কোপী। আর দব্লিয়ু এ অমদি ব্লক গরবেজ জেনেরেটরশিংনা সাষ্টতা প্রোসেসশিং তৌবদু য়ু এল বিশিংনা ৱারেপ লৌদুনা খঙহনবা লৈব্রা। ওন সাইটতা প্রোসেসশিং তৌবদু ব্লক জেনেরেটরশিংনা কান্নবা ফংবগী অকূপ্পা মরোল। ৱাহং মরি অসিদসু মার্ক ৪৮ পুদুনা কলেক্সন অমদি ত্রান্সপোর্টেসনগী মপাঙ্গল হাপ্লি। অহুমশুবদা কম্মর্সিয়েল এরিয়াশিংদা অন্দরটেক্কিং ওইনা অমদি ৱাইশিৎপগী চাং অসি কয়ারক তৌবা। নোংমদা অনীরক শিৎপা, নুমিদাং ৱাই শিৎপা থারগা তঙাইফদনা তৌগদবা মশীংগী অকক্লবদা মার্ক ৩৪ থম্লি।

মথংদা করম করম্বা ৱার্দ কয়াদা যূমথোং খুদিংগী ফত্ত হৌদি লৌথোকপা হৌরবগে। ৱার্দ খুদিংমক্কী ওইনা শিন্মী কয়া শীজিন্নরবগে। হৌখিবা ক্বার্টর অনী চৎলিবা চহী ২০১৭কী মনুংদা কর্ম্মসিয়েল এরিয়াশিং অমদি লৈনরিবা যূমলক্তা চঙবগী ৱার্দ ৱাইজ রেকোর্দ অমদি লোগ বুক লৈব্রা। থবকশিং অসি কন্ট্রেক ওইনা পীথোকপ্রা নৎত্রগা আউটসোর্স ওইনা মখোয়গী সার্ভিসতুগী রিপোর্ট। করিগুম্বা কন্ট্রেক তৌনবা তারবদি কুমজা ২০১৭কী ওক্টোবর ৩১গী মমাঙদা তৌবা ওইগদবনি। ৱাহং অনী অসিদনা মার্ক ৩২ লৈদুনা সার্ভিস লেবেল প্রোগ্রেসকী অথোই অহেন লৈরি। অহানবগী মঙাশুবদনা নোংমদা প্রোসেসশিং য়ুনিট অমদা কলেক্সন তৌরিবা ফত্ত হৌদিগী চাং অসি কয়া য়াম্বনো। মসিদসু মার্ক ৩২ লৈরি। সোলিদ ৱেষ্টশিং অসি অহানবদা ভেরিফাইদ তৌবা দরকার লৈবদু উৎলি। পুথোরক্লিবা ফত্ত হৌদিগী চাং অদু কুমজা ২০১১গী মীকোক থিবগী মতুংইন্না মী অমদা গ্রাম ৫০০গী চাংদা পুথোকপা তারবদি সিটি অদুগী মীশিংনা পুরিরগা জেনেরেট তৌই হায়না লৌগনি। মথংদা ফত্ত হৌদি অদু করম্না ভেরিফাইদ তৌগনি। সিটি অদুগী নোংমগী ফত্ত হৌদি পুথোকপগী চাং অসি ৱেট ব্রিজ নৎত্রগা হোন্দোক্লিবা ত্রিপ মশীং অদুনা দিসপোজেল সাইট তান্না পুবদুগী ওইগনি। অসুম্না কলেক্সন এন্দ ত্রান্সপোর্টেসনগী ৱাহং ১৩দা মার্ক ৪২০ অসি তরাই তরাইবদি নত্তে।

অনীশুবদা প্রোসেসশিং এন্দ দিসপোজেলগী পেরামিটর অসি ৮ লৈরি। পেরামিটর ৮ অসিদা অপূনবা মার্কনা ৩৫০নি। মপূং ওইবা প্রোপর্টি টেক্স কলেক্সন তৌবা। যূমথোং খুদিংগী য়ুজর চার্জ লৌবা অমদি মদুদগী ফংলকপদুনা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট এক্টিভিটি ওইনা তলব পীথোকপা, খূৎশু খূৎলায় লৈনবা অমদি ত্রান্সপোর্টেসনগী মমল পীথোকপদা কদায় ফাওবা শীজিন্নবা। হীরম অসিদনা মার্ক ৬০ থমদুনা অথোয় অহেন তান্নরি। সেনিটেসনদা পেরামিটর ১১ লৈরি। মার্কনা ৪২০। ও দি এফ ওপন দিফিকেসন ফ্রি। লমহাং তুহাংদা অমদি লৈরক খুল্লক্তা অমাংবা মফম খঙনা থম্বা। টাউন অদু ওপন দিফিকেসন ফ্রি ওইরে হায়দুনা পব্লিক নোটিশ থোক্তুনা লাউথোক্লবা মতুংদা মীয়াম পূম্নমক্না মদুগী মায়োক্তা লৈত্রবদি ওপন দিফিকেসন ওইরে হায়বদু ক্যু সী আই (ক্বালিটি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া) না ইন্সপেক্সন তৌদুনা মদুগী অয়াবা সার্টিফিকেসন ফংলবদি মদুদা মার্ক ১১০ ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা মার্কিংনি। অদুবু ওপন দিফিকেসন ফ্রি টাউন অমা ওইবা হায়বসি অরাইবদি নত্তে। ঙসি ফাওবদা ক্যু সী আইনা ওপন দিফিকেসন ফ্রি টাউন ওইরে হায়রিবসি মণিপুরগী ওইনা শুপ্নগী টাউন মঙাখক্তা ঙাইরি। মদুসু ক্যু সী আইনা শকখঙবা নুমিৎতুদগী থা তরুক্কী মতম খক্তনি চৎনবা য়ারিবা। নৌনা অমুক হন্না ওপন দিফিকেসনগী চাং অদু ফ্রী ওইরিব্রা হায়বসি ক্যু সী আইনা য়েংশিনবা মথৌ তারি। মণিপুরগী ওইনা ও দি এফ সার্টিফিকেসন ফত্তবসিগী মনুংদা অহুম অমদি থা তরুক অদু মতম হেন্দোকখিবদগী নৌনা ক্যু সী আইনা ভেরিফিকেসন তৌদ্রবদি হায়রিবা মার্ক ১১০ অসি ফংদবা য়াবগী খুদোংথিবা লৈ। লেমহৌরিবা মতম নুমিৎ খরনিসিদা নৌনা ভেলিদিটি তৌবগী থাজবা ৱাৎলি। অদুনা হায়রিবা ও দি এফকী ফজরবা মার্ক ১১০ মাঙখিবা য়াবগী অকিবদু লৈহন্নিংদে। পব্লিক টৌইলেট/কম্যুনিতি টৌইলেট শীজিন্নবগী মওংনা লাক্লিবা ইনকম অমদি মদুদা মেন্টেনেন্স তৌবদা চঙলিবা কাঙলোন খরদা যূম্ফম ওইরগা মার্ক ৫৬ থম্লি। হায়রিবা মার্ক ৫৩ অসি ফংবগী কাঙলোন অসি অদুক হাক্ল া লুদে। লেত্রিন অদুদা কোমুদ কয়া লৈ। লোইনমক শীজিন্নবা য়ারিব্রা। মদুবু শীজিন্নবগী চার্জ কমদৌনা লৌই। সেল্ফ হেল্প গ্রুপ নৎত্রগা এন জি ওশিংদা শিন্নথোক্তুনা রেভিন্যু কাবগী কাঙলোন অমদি ওপরেসনেল এন্দ মেনেজমেন্টকী কোষ্ট খুদিংমক পুথোকপা য়াবা চে চাং কাঙলোন চুম্না লৈরবা কম্যুনিতি/পব্লিক টৌইলেট লৈবা য়ু এল বিশিং অদুদি হায়রিবা মার্ক ৫৬ অসি শুংশোয় শোয়দনা ফংবা ঙমগনি নীংই।

অরোইবদা, ঙসিগী নোংমগী ওইবা স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮গী দেলিভরি প্রোগ্রাম অসিগী রিছোর্স পার্সন ওইখিবশিং অদু এম এম এ এসকী নহা ওইরিবা ওফিসার অহুমনি। অহানবদা দোক্যুমেন্টেসনগী চেপ্তর ওইনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী রবিন্দ্র থৌদাম। সিটিজন ফিদবেক্কী চেপ্তরদা সামুএল মোইরাংথেম ইগজিক্যুটিব ওফিসার অহুমশুবদা দাইরেক্ট ওবজার্ভেসনগী চেপ্তরদা থোকচোম সিদার্থ ইগজিক্যুটিব ওফিসর লিলোং ইম্ফাল ৱেষ্ট নগর পঞ্চায়টনা ওইখি। তেল্লবা মতম খরা অসিদা মায় পাক্লা শরুক য়ানবা হোৎনমিন্নবা হায়বা ৱাফম অদুনা অরোইবা ওইরগা পূম্নমক স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮গীদমক শেম শারনবা সিটি কনভেন্সন সেন্তর থাদোক্লবা তাখি।